# মহাও লৈনা হিংহনসি

**— এস ভানুমতী —**

**মী** ওইনা পোক্লরবনিনা ঐখোয় ইথৌ থৌদাং পাঙদবা য়াদ্রে। য়ূম্বান লম্বীদা খোঙ থাংলুরবনিনা ইচাশিং মতিক চাবা মী ওইনা শেমদবা য়াদ্রে। মথংগী মীরোল মরোলগীদমক্তা চাওখৎনবা হোৎনদবা য়াদরে। মসি পুন্সিগী থৌদাংনি। খ্বাইদগী লুবা পুন্সিগী তাঙ্ককনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা হিংলিবা মীওইবা ঐখোয়গী তমথিরবা মতৌ হায়বদি অহোংবা ময়াম হাৎনশুনবা, খৎন-চৈনবা, নুপী নহাদা লমচৎ নাইরক্তবা, থকসি-খাসি লৈরক্তবনচিংবা ময়ামসি থেংনরকপদা অৱাবা হায়বদু অদুমক ওইরি। ইরমদমগী ওইবা নুপী কাঙলুপ্পু কন্নবগীদমক্তা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন থাদদুনা শেমখ্রবা ফজখ্রবা চৎনবীশিংবু লান্না লৌনরক্তুনা পুমথা থাদোক্লবা হোৎনরকপা মতমসিদা ঐখোয়না করি তৌবা তারি? হংবা য়াবা, খন্ননীংঙাই ওইবা ৱাহংনি। তরাইনা লৌফম থোক্তে। মসি হায়বগী ৱাহন্থোক্তি ঙসিগী মীহাৎ-মীপুন তোয়রবা, থকসি-খাসি য়াওরক্রবা মতমসিদদি ঐখোয় পূম্বা অহোংবা অনৌবা পান্বে থিদবা য়াদ্রে।

থায়নদি মপা ওইবনা মপান থোক্তুনা থবক শূরগা শেল থুমগী ফীভম য়েংশিন্দুনা অচৌবা থৌদাং পুবগী থবক্লা হেন্না লূম্না লৌরগা অয়ূক্কী, নুমিদাংগী ফীভমদা থোইনা কূপ্না য়েংশিন্নদ্রবসু মতমদুগী অঙাংশিংদু হৌজিক্কী অঙাংশিংগী মতৌগুম হৈ-শিংজিনবা হেন্না চলাক ওইশিনবা তৌনরমদবনা মমা, মচে, মনে অমদি মপু-মবেনগী মখাদা অদুম হায়বা ইন্না লৈনরম্বনিনা য়োকপদা অদুক ৱাবা ওইনরমদে। ঙসিদি খুন্নাইগী কাঙলোন্দা লাক্লিবা অহোংবা ময়ামসিদি ভাব মেন অমত্তা তাদনা পূমলাঙ লাঙখ্রে। করিগুম্বা হায়ফম খঙদ্রবা অশোয়বা অমনা খুন্নাইগী শক্তম পূমওন ওল্লে। ফৱবসু ফৎত্রবসু ঐখোয়গী পুন্সিদা অঙাং শেম্বগী চাউরবা থৌদাং হায়বসিমদি থাদোকপা ইয়া য়াদ্রবনিনা মমা অমদি মচাগী মরক্তা লৈনরিবা লীপূন চেৎপখক্তনা য়ারগদরা হায়বগী ৱাফম অমা কন্না লাক্লি। মসিদা মপাগী অকনবা থৌদাং য়াদবা য়ারক্ত্রে। মপানসু মচাগীদমক্তা থওইনা মতম কাইথোক্তবা য়ারক্ত্রে। হায়রিবা অসি মপা মচাগী মরী তৎতনবসুনি।

শম্না হায়রবদা হৌজিক্কী মতমসিদদি চাওখৎপগী পান্বে ওইবা য়াবা কান্নরবা পোৎশক কয়া ওন্ন-তৈননা শীজিন্নবদগী অমাঙবগী মায়কৈদা খূমাঙ চাওশিল্লক্তুনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু অফবা মায়কৈদা খুদুম চনশিনবা, অচুম্বা লম্বীদা চিংশিনবা হায়বসি অরায়বদি ওইরোই। মমা-মপা অনীনা কাঙলোন চুম্না কন্না হোৎনরবসু ইমুং মনুংগী মচে, মনে, মখুড়া, মতোন্না মফম মতম চাদনা থবক কয়া চথ্থরক্লবদি অঙাংশিংগীদমক্তি কোক ইচায় চায়নীংঙাইগী মশক্লি। অদুনদি ইশম শম্না ইমুং মনুং পূন্না ৱাখল তামিন্নবা অমা শোয়দনা চঙঙি। অমুকসু নীংশিংবা য়াই, অঙাংশিংদা অকনবা কাঙলোন্না পুন্দুনা থম্বা খক য়ারোই, মখোয়গী পূক্লিংদা হৈনীংহনবা চঙঙি। ক্রক-ক্রক ফাজিন্দুনা থম্বা খক য়ারোই। য়ূমলোন কৈরোন্নবা মমান্নবশিংনা কোয়রাঙ লাঙদুনা শান্নদুনা লৈরগা লাইরিক পাদুনা লৈরিবশিংদুগী পূক্লিংদা লাইরিক্তা লুপশিনবা ঙল্লোই। পাড়া তাক্লবসু মবুক্লিং ফজনা লুপশিল্লু য়ারোই। অদুনদি অকোয়বগী ফীভমসু ফৎতবা য়াদে। হায়রিবশিংসিগা মরী লৈননা থায়নগী ওইনা চৎনরম্বা ফজনরম্বা, মতৌ তম্বা য়াবশিং নৌনা নীংশিংবা য়াই। চহী ৩০/৪০ গী মমাঙদদি নুমিদাংৱাই নুমিৎনা হেক লৈথরকপা মতমদা মমা-মমা, মবেন-মবেনশিংনা মচাশিং মশুশিংবু কৌশিন্নে। অঙাংশিংদুনা শান্নবগী নুংঙাইবনা থওইদ্রবসু শান্নফমদা চৎতুনা মখূৎ শল্লগা ময়ূম ময়ূমদা পুনরকই। অঙাংশিংসু য়ারোই খঙলবনিনা কপ্পা লাউনদে। লমহেন তুহেনবসু য়াওদবা নত্তে, ফু-চৈদুনা পুরকপসু য়াওরিবনি। অদুবু মতমদুদদি সন্ধ্যা ওইরবদি লাই খুরুম্বা, ধূপ থাউমৈ কৎপা মতমনি, লাই খুরুমগদবনি লাঙবা য়াদে হায়বদা অদুম মইন্নে। ঙসিমক পাউদমজরিবী ইশামকসু অঙাং ওইরিঙৈদা মল্লবা ফাওবা য়ূমদা হল্লক্তে হায়দুনা পাবুংনা চৈনা ফুন্দুনা কপ্পদু নীংশিংলি, চৈনাদুসু কাউদ্রি। অদুবু ইমানা কপ্পা থেন্বীদুনা সন্ধ্যাগী ধূপ থারগা পাবুংগা ইমাগনা 'দশবতার' থীবদু মবান্নিগী মরক্তা খুরুখুদক কুন্দুনা য়াওহল্লি। নোংমতা নৎতনা নীতিগী চৎপা থৌগলনিনা ঐখোয়না লম হেল্লুবা য়াদে হায়বসিসু খঙজরকই। অসিগীসু মথক্তা অবোক্লা নৎত্রগা খূড়াতোন্না নীতিগী ৱারী লীবিবা লেপ্পে। ইমানসু পাবুংনসু তাঞ্জা ফংলবদি অদুম লীবি। ৱারী তানীংবগীদমক পাড়া ঙন্তা ঙন্তা ফাদোক্লবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা অহলশিংগা থোইনা নকশিন্না হিংলকপগী নুঙাইবদো... হৌজিক্কী চাওখৎলবা মতমদা পোক্লিবা অঙাংশিংদদি ফংলরোইদো... থোৎলবা মরীদো। অসিগুম্বা অঙাংগী মোরেল চাওখৎকপদা, মশাগী কলচরসু ওইজবা ৱারী শীংবুল লীবীবগী থবকসিদি অঙাংগা মমা মপা ওইবগা মরী য়াম্না নকশিন্নহনবা অফবা থবকনি হায়না খল্লি। অমুকসু অহলশিংনা ৱারী লীবদা তাকপী 'ত্রি সন্ধ্যা' করিনো হায়না। মৈতৈরোন্দা হায়রগদি নুমিৎ থোরকপগী মশেক মঙালনা য়ৈরকপা মতম, নুমিৎ চপয়ুংবা মতম অমসুং নুমিৎ তাথরকপা অমম-অঙান শিন্নরকপা মতম, হায়রিবা মতম অহুমসিদা তাইবঙ মপুবু নীংশিংদুনা খুরুমজগনি হায়না অহলশিংনা তাকপী। অদুনা হায়রিবা মতম তাঞ্জা অহুমসিদা লাঙবা, অঙাং কপহনবা তৌহৈদে হায়না চেকশিনৱা হায়নরম্মী। অসিনা মরম ওইদুনা অয়ূক হেক য়াহৌরকপদা অঙাং ফুবীবা, খৎন-চৈনবা তৌবা য়াদে হায়নসু অহলশিংনা য়াম্না চেকশিন্না তাকপীখি। নুমিৎ চপ য়ুংবদা অমদি সন্ধ্যা মতমদসু অদু মঙাই। মতম অহুম অসিদা ধূপ থাউমৈ কৎতুনা তাইবঙ মপুবু খুরুমজগদবনি হায়বসি মীতৈ ঐখোয়গী অহলশিংনা ময়েক শেংনা তাকপীরল্লবনি। মসি তৌহৈ নৎত্রগা তৌহৈদে হায়না থম্বীরল্লিবা পূম্বা অসি ঐখোয়না অমমম ওইনা অসুম থওইদনা থাদোরকপদগী মী মরক্তা তমথীরবা হিংচাবগী পুকচেল চেনবা হেল্লবনি। লাই নীংবগী, ধর্ম্ম লৈবা লৈতবগী ৱা নত্তবরোমদা পুরগসু ত্রি-সন্ধ্যাগী মরমদা অহলশিংনা ঐখোয় পূম্বদা তাহন্নবা হোৎনরল্লিবসি মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাং য়োকপদা তাইবঙ মপুগী ওইবা মায়কৈদা পুশিল্লগা হায়রিবা অয়ূক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবগী মনুংসিদা অঙাংশিংবু, ইচা-ইশুশিংবু কৌশিন্দুনা মমাগী মিৎয়েংখাদা থম্নবনি হায়না থাজনরিবনি। তশেংনমক অঙাংশিংবু লাকশিনবা হায়বসি মমাগী থোৎ মেঙবা ৱাহৈনা অমদি অশেংবা থম্মোয়তনা ওইহনগদৌরিবনি। মসি হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক্কী নুঙাই য়াইফরবা অৱাৎপা লৈত্রবা মমা-মপা ওইবশিংনা নাপলগা লোয়নননা মচানা হায়রিবমখৈ ৱাখল করিসু খন্থদনা পংতৌ তৌবগী হৈনবীগী মহুত্তা অয়ূক্তা নুমিদাংদা মীকুপ খরদং ৱারী ৱাতায় শানবগী ৱারী মচা'মতংসু লীবীনবা কাইথোকপীবা তঙাইফদে।

তশেংনমক, হৌজিক্কী মতমসিদা অঙাংশিংনা অহল লমনবু মী ওইনা উদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। হৌজিক্কী, নোংচুপলোমগী ফিজিৎ চাকচা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, মিঙ্গৌ-লাক্কৌ, শমকক-লাক্কক তমদুনা মমল য়াল্লবা মতম মাঙহন্দুনা, মতম চাই/চাদে খঙদনা লাঙদুনা ৱারেম ঙাঙ-ঙাঙদুনা শিবা কাউনা হিংলি। অয়ূক্কী অইংবা লৈত্রে, নুংথিল চপ য়ুংবা খঙদে লাউনীংবা মতমদা লাউই, তৌনীংবা তৌই, চানীংবতা চাই। অসিগুম্বা মতমসিদা মমা মপানা মখোয়গী শাজৎ লীচৎপু চুমথোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি কনাগী মাঙজবনো হায়বা খন্থনবা তাবনি। চৎনবীগী পরিং মথং মথং কায়থরকপনা ঙসিদি লমচৎ হায়বদু মফম খঙলক্ত্রে। মতম অমদা অহল লমন্দা থনম্বা ইকায়খুম্নবা, করিগুম্বা অমা তৌরমদাইদা অয়াবা লৌনরম্বা থক-খা খঙন-হিংনরম্বা পূকচেল তিংনা হিংমিন্নরম্বদু ঙসিদি কয়াদা থাপ্নরবা অমগা অমগা মীওইবশিংগী লক্তা। হীরম খুদিংদা মিৎয়েং পাক্লরম্মী। শম্না হায়রবদা অঙাং শেম্বা মতমদা অরিবা চৎনবীবু পূমথা থাদোকপা তৌরোইসি ফোংদোকপগী ৱানি। খ্বাইদগী নুঙাইজদবা অমদি নুপী কাঙলুপ্তা ঈশোক শোকপগুম্বা অমা তৌরক্তুনা, হন্থবা মিৎয়েং অমা ইতা তাবগুম উরকপা অসিনি। শক্তিদি, পান্বেদি নুপীদা লৈরিবনি। নুপীবু ফজনা শেম্বা ঙল্লক্লবা মতমদুদনি অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা হায়বসি। অফবা নুপী, ৱাখল তাবী, তুং কোইনগী ৱাখল খনবা ঙন্বী, পুকচেল তপ্পী, খাঙবা কনবী হেক ফংবদা, শেম্বা ঙম্বদা খ্বাইদগী অফবা চারোল শুরোল থোরক্কদৌরিবনি। নুপী হায়বসি মতাইদা, মনীংদা ইনথোক্তুনা থম্বা শুকয়া য়ারমদ্রে। অদুনা, অসিগুম্বা মতমগা মরী লৈনবা য়াই/য়াদে হায়না থম্বীরম্বা ময়ামদু নীংশিংদুনা নৈনবগী মহুত্তা ঐখোয়গী ওইবা পোৎতা মরু ওইনা নুপী ওইবীশিংনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা চৎন-কাঙলোন চৎনহনবদা, হিংহনবদা কান্নবা খরা, মদুনা ইচা ইশুশিংদা মথং চৎথহৌবদা কান্নহৌগদবদুদি মাঙহল্লোইসি অদুগুম্বগী ৱাখল্লোনসি নুপীগী কোক্তা হেক খল্লকপা মতমদুগী ইচা ইশু ৱারকপা, ৱাতেম্বা নুংঙাইরক্কনি খল্লি। ঐখোয়গী ইচাশিং-ইশুশিং য়োকপদা অসিনা তৌগদবনি, অসিনা তৌরোইদবনি হায়বা ৱাফম য়াওদবা শুকয়া য়ারোই। মতাংসিদগীনি অঙাংবু মনীং তমহনমনবদগী ঙসিদি ফান-পুন্নবা য়াদ্রবা শা-ষণগুম্বা ময়াম অমা থোরল্লিবসি। য়াম্না লুরিবদি মমা ওইবীগী গুন য়াম্না শীজিন্নবা চঙঙি। মমাশিংনা খঙগদবদি মমা হায়বসি অঙাংদুনা নুংশিহনবগা লোয়ননা য়াম্না কিনসু চৎপা মীশক ওইগদবনি। লাইরিক য়াম্না হৈবঙাক্কী ৱানসু য়াবা নত্তে। তোঙান্না লৈবসু নত্তে। নুপী ওইবী হায়বসিদা অদুম য়াওজরবা শীজিন্নবা হৈত্রগনা মাঙজবা, নাপলগা নক্লবা য়াদবা গুন অমনি। মরু ওইনা মীতৈগী ঈশিং নুংশিৎতা হৌবা পান্বীশিংনি। উহৈশিংগী মহাও, শাৎলিবা লৈরাংশিংগী লৈনম ... অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী খেন্নবগুম নুপীগী লমচৎতসু ইতোপ তোপ্পা 'নোল্লুকপা' হায়বসিদি শোয়দনা য়াওফম থোকপনি। গুনসিমক্তা মরী লৈনবননি মীতৈগী জগোয়গী শাথেক্তা মসি ফজনা তারুবনা মালেম শিন্থুংনা মমিং চৎলিবা। জগৎতা হিংলিবা নুপীনা তানবা ফংলরোইদবনি। মাঙহন্দনবা হোৎনবনা অশিংবা হায়বদু ওইগনি।

ঐখোয়গী লৈবাক হৌজিক চাওখৎলে, লাইরিক ফজনা হৈনরে। শিনফম খুদিংদা নুপীসু শরুক য়াবা ঙল্লক্লে। চঙশিনসি মাঙদা পজেং ফীরাল ফংনবা হোৎনসি। ৱাখলনা, পূক্লিংনা মীওইববু হোইদুনা পুরিবনি, পূক্লিংবু শেংদোকসি। নুপী ঐখোয়দি অমকপা, অরানবা ৱাখল খক খনবা য়াদে। নুপাদগী নুপীনা ইথৌ য়াম্না কুঙবা হেল্লি। মীকুপ অমতা মাঙহনবা য়াদে, মাঙদা চঙশিনসি। ইপুরোইবা অমদি ইচাগী মায়পাকপা ফংবা হায়বসি নুপী ঐখোয়গী খূৎতা লৈ। কাঙলুপকী অঙানবা ফজবগী মায়কৈদা মায় পাক্লা চঙশিল্লিবা থৌদাং কয়াসি থোইনা পূক্লিং থৌগৎপগী খোল্লাউ লাউসি। তাইবঙ মপুবু থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নসি। প্রকৃতি-পুরুষ অনীবু কনানা কনাদগী হেল্লি নৎত্রগা ৱাৎলি হায়গদৌরিবনো। অনীগী মরক্তা অমা ৱাৎপদা মালেম হায়বসি লৈরোইদবনি। অদুনা নুপা-নুপী থানবা খক য়াদে। মাগী মাগী থৌদাংদুদা মায়কৈ চুম্না চৎলবদা মায়পাকপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। ফজবা, নীংথিবা, নুংশিবা, থাজবা হায়বা গুনশিংনা লৈতেংদুনা লাইরৈবাক হায়বদু শেমগদৌরিবনি। নীংশিংজনীংবা অমতংদি ঐখোয় মমা/মবেন ওইবীরিবনা হৌরক্লিবা করি অকায়বা, অফ-ফত্ত খঙদ্রিবা ইচাশিংদা মরুওইনা নুপীমচাশিংদা ফিজেৎ করম শেৎকনি, নুপী হায়বসিগা নুপাগা লৈনফম মরী করিনোনচিংবা তাঞ্জা চানা চানা তাকপীবা ফগনি খঞ্জে। পুন্সিদা নুপীনা নুপাদগী য়াম্না হেনবা অঙকপা গুন য়াম্না লৈ হায়বসি তপ্পা তপ্পা ৱারী শাবা খঙহনবা ফৈ। নুপী হায়বীসিনা য়ূম অমা পুম্মাঙ মাঙহনবা ঙম্মী, ঈংনা চিক্লা লৈহনবসু ঙম্মী, মপুরোইববু, মচাবু, শাগৈ-নাতৈবু তাইবঙ মীয়াম্না ইকায়খুম্নফম ওইহনবসু ঙম্মী। মীনা করিসু ওইনা উবিদনা থকসি-খাসি অমত্তা থমহন্দবসু ঙম্মী। অমুক্কসু নীংশিংজনীংঙি ফিজেৎ-চাকচা ফজহন্নবা হোৎনসি।

লোইশিল্লকপদা ৱাহৈ খরদং থমজগে। চাওখৎপা লমদম অমা ওইবা হায়বসি নুপীনা নুপীগী লমচৎ শাজৎ চৎলবা, নুপানসু নুপা ওইবগী 'লেমজবা' হায়বা গুনদু চেল্লবা লৈবাক ঙাকপা মন্ত্রিশিং লৈরম্বী করিসু মথৌ তারোই হায়না খল্লি। নুপীগী থাজদনা লৈরিবা লূমখ্রবা থৌদাংদি খরা হেন্না নৈনবীবা চঙঙি, থিবিবা চঙঙি। তৌবদি হায়জরিবসি অতোপ্পা ফুরুপকী কলচরদা থিবীরুবা, চঙশিনবীরুরবদি হৌরক্লিবা ইচা ইশুগী তুংগী পুন্সিদদি মখোয় মীতৈনি হায়বসি মুৎখিবা য়াই। ঐগী চান-চূনবা লৈহাও লৈবাক্তা ইচাশিং-ইশুশিং লৈনম চেন্না, মহাও লৈনা হিংহনসি, য়োকখৎসি।

-'The hope of the future lies not in better human inventions but in better human relations.' - Anonymous

# ৱাহং মীয়ামগী ৱাহং

**— এ কে ইবোমচা —**

***মণিপুরগী*** মীয়াম অসি কুমজা ২০১৮ গী মার্চ থা ফাওবদা জিরিবামগী রেল লম্বী শেম্বা লোইশিল্লগনি হায়রিবা অসিনা চুম্বা তারবা মণিপুরগী থৌনা ফৱবা মীয়ামসি চেদা য়েকপা লাইগুম্না লৈগদ্রা? নৎত্রগা করি করম্বা শকলোন লৌরক্কদগে হায়বসিনা ঙসিগী মীয়ামগী ৱাহং ওইরক্লে। মচিৎ-মচিৎ মফম খঙদনা বিলাটিমাটি বোরা মরক্তা, আলু বোরা মরক্তা মমাই মিমিৎ খুমজিল্লগা লোৎনা লোৎনা চঙলকখিবা মীয়ানচা ময়াম অদুনা ইম্ফাল ময়োন্দা, দিষ্ট্রিক্তি হেদ ক্বার্টরশিংদা অমদি অপীকপা কৈথেল মচা মচাশিংদা লৈশিল্লগা অমগী মথংদা অমা ককচেংগী মতৌগুম্না অসুম লেপ্তুনা লাকপনা চিক্লা চাইনবা ঙমদনা লৈরি। ঐখোয় য়েলহৌমীশিংগী মফম লৈরক্ত্রে। অসুক লুরবা মতাংসিদা রেল লম্বীসিনা অমুক ফাওরক্তুনা মীয়ানচা ময়ামদুনা তুরেলগী তোৰ্ব্বান, লৌনম্বাল কায়রকপগুম্না থিংবীনবা য়াওদনা রেল তোংদুনা ঈশিংগুম্না ওরো-ওরো চেনশিল্লকপগুম্না চঙশিল্লকপা তারবদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী থৌনা ফৱবা মীয়ামসিনা করি তৌগনি। হৌজিক হৌজিক্তি ঐখোয় মশেল লাউনবদা অকনবা শারিবা চেগী কৈশিং অসিনা করি ফিরেপ অমা অমুক লৌরক্তুনা করম্বা ফীভমদা লৈগনি হায়বসিনা অমুক মীচম-মীয়াম পূম্নমক্কী ৱাহং ওইরক্লে। চেগী কৈজাওশিংদুনা ঙংবদা ঙসিগী শুফম নোমফম খঙদ্রবা মীয়াম অসিনা মীপাইবগা লোয়ননা হিংফম থিবদা অৱাবা অমদি শোয়দনা মায়োক্লগনি। মতমদুদা কনাগী মতেংনা মীয়ামসিনা হিংবগী লম্বী থিগনি। মসিনি ঙসিগী মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং।

মরকসিদা মকোক পুমঙৌ ঙৌরবা, কলাপ কুরু শুংলবা, মচা-মশুশিংবু চাউনবা থাকপদা পাঙ্গল ময়েং তারবা, মোংফম্না ঙাইদুনা লৈরবা অহল খরনা মচা মশুশিংদু মতৌ করম্না মীয়ানচা মরক্তুদা হিংহৌগদগে খল্লুবদা শিবা ঙমদ্রদুনা লৈঙাক মপুদা মচা-মশুশিং অদুগীদমক নিরি ঐখোয় সেদ্যুল ত্রাইব ওইজরগে হায়রক্লি। মদুদা তুংদা করি ওইরক্কনি খঙদ্রবা মীয়ান লাইনীংগী নাওশুমনা শুমখিদুনা মীকপ থোক্তনা মমঙদা চোইরোল লোনবগুম্না ফৈরেং তুরেং ঙাঙদুনা থিনগাই-য়ৈখাইনবা হোৎনরি। মতেং পাঙনবা হোৎনবগী মহুত্তা অকন-অকনবা ৱাহৈ ৱাতা ঙাঙদুনা য়েক্লবা অমা ওইনা উবীরি। মতাংসিদা মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি নিরিবা সেদ্যুল ত্রাইবকী ষ্টেটস অদু ফংবা তারবদি মখোয়গী শরুক্তি য়াওরোইদ্রা হায়বসিনা মীচম মীয়ামগী ৱাহং ওইরি। লৈঙাক মপুদুনবু পীবু পীবিরবা কনানসু মুনবা ঙমলোইদবা সনা-লুপাদগী হেন্না মমল য়াল্লবা লৈঙাক মপুনা পায়বা হেলোই অতোনবীগী মপা সোরারেননা পীবা ওইগী খূৎকী খূৎনিংথৌদা শিরিবা থোকউ হায়বদা থোকপা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবনি হায়বা য়াই। পোৎশক অসি খূৎতবু পায়বু পায়জবা ফংলবদি কনানসু মুনবা ঙমগদবা পোৎশক অমা নত্তে। ইনাক কৈরাক খুনবা শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা মখোয়গী ঙমজবা পাঙ্গল থৌনা শীজিন্নদুনা খক মুনবা ঙমগদবা পোৎশক অমা নত্তে। হূরানবনা হুবা ঙমদবা, লায়রবনা মিচং লৈজদ্রবশিংগী মশা ঙাকথোকচনবা লৈঙাক্লা পীবা অমত্তা ঙাইরবা খূৎলায়নি। মসিগী মতিক ময়াই খঙদবা অচাওরম পাম্বা মপু ওইনা লৈরম্বদগী মীনাই ওইরক্কদৌরিবা, মশানদি চাওরি মপু ওইরি হায়না খঞ্জবা ৱাখল তাদবা মানবা মীওই খরনা য়ৈখাই থিনগাই তৌরিবশিং অসিগী কান্নবনা করিনো? মসিসু মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি। রেল লম্বী ফাওরক্লবা মতুংদা ইরমদম অসিগী মীওইশিংনা হরাউনরি, পোৎকী মমল হোংলনি, চাওখৎলগনি, মপান লমদগী হুমজিল্লকপা নুংশিৎনা পুরকপা চাওখৎপগী মঙাল, রেল অহানবা লাকপা উবদা চাক-ঈশিংগা হেক চাবা থকপা খঙদনা হরাউনা য়েংনরগনি নুঙাইরবা কুম্মৈ অমা য়েংবগুম্না নোক খেদুনা। মতাংসিদা থমজনীংবা য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফমদি নুঙাইবগী মীনোক মরক্তুদা অৱাবগী পিরাং অদু শিন্থরকপা শোয়দ্রে হায়বসিনি। হংজনীংলিবা ৱাহংদি রেল লম্বী লাক্লগা লমদম অসিগী মীশিংনা ফংগদৌরিবা কান্নবসিবু করিনো? মসি মীয়াম্না নৈনবীবা মথৌ তারি। অখঙ অহৈ ময়াম তান্নরগা করিনো ৱাফম খরদি লৈঙাক মপুদা হায়হৌবা চুমগনি। রেল ষ্টেসন ওইগদৌরিবা মফমসু অমা অনীদগী হেল্লোই। ইরমদম অসিদা শেঞ্জাও পায়বা কনাসু লৈতে, করিসু তৌরুবা য়ারোই। অচৌবা করবার তৌবসু মপানলোমদগী লাকপা শেঞ্জাও পায়বা মীয়ানচাশিংনা ওইখিনি। কুলি ওইনা পোৎ চৈ থাংদুনা শেল তানবসু হনবা মীতৈ/মীতৈ পাঙল, চীংমী কনাসু লৈতে। পোৎ থাংবা কুলিগী শিনফম অসিসু মীয়ানচাশিংনা অদুম ওইখিনি। মতমদুদা নোংমা কাংদনা লাকপা মীয়ানচাশিংনা থুমহৎখিদুনা লমদমসিগী মীচম মীয়ামদা অচৌবা শাফু কয়া পীরক্কনি। মতমদুদা চাবা থকপা ফংলক্ত্রদুনা ইরমদমসিগী চেদা য়েকপা কৈশিং  অদুনা করি ফীরেপ লৌরক্কনি। ইশা ঙাকথোক্লবা মতিক চাবা খূৎলায় অমৎতসু পায়হৌদা, ৱাজাউ ঙাঙবগী হৈনবদুনা মতমদুদা করি তৌরক্কনি। চরা হেল্লকপা কুইরক্লবা হুইনা মীতোপ মীয়ানচাশিংদু উরগা ইরমদম অসিগী মী নত্তে হায়বা খঙলগা পাঙ্গলদি য়াওদা করিসু তৌজবদি ঙমজদা ফল্লাংদা ঙাদুনা খোঙবগুম্না খোঙবা নত্তনা ঙসি ঙাঙলিবা ৱাজাউদু মতমদুদা অহাংবা মালংদা অদুম তিনখিনি। মতম অদুদা মীৎতগী পিরাং শিন্থরক্কনি। মতম অদুদা হৌজিক ঐখোয় মশেলদা অকনবা শান্নদুনা ৱাজাউ ঙাঙলিবসি কয়া য়াম্না শোনবগে হায়বদো য়েংগদবা মীগী মশীং চীংলোন ৯ না কোয়রিবা ইরমদম অসিদা থোক্লক্কনি অদুক্কী মতিক মশীং য়াম্না। মতমদুদা মীতৈ নোংশাদু মশক খঙলগনি কয়ামুক থৌনা ফবগে হায়বদু।

মতমদুদা চীংমী তম্মী ইচিন ইনাওনিকা হায়বা কাউখ্রনি। হিংনবা হোৎনবদা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বনি হায়রিবা ঐখোয়না য়ূম শাদুনা লৈফম ওইজরিবা মফমশিংসে মথং মথং মীতোপ মীয়ানচা শেঞ্জাও পায়বশিংদুদা অচৌবা শেনফমদা য়োম্থোক্লল্লগা পৈশা অমদি ফিয়োম চাওনা য়োমদুনা চীংখোঙ চীংয়াদা রিফ্যুজি শাদুনা শাইদাংফম থিখিবা তাবনি। মদুগী চপ চাবা খুদম ইনক নক্লা ত্রিপুরাদা অমুক্তং চৎলগা থা ২/৩ দং লৈরগা লম কোয়রবা মতুংদা খঙগনি। নোংমদি ঐখোয়সু ত্রিপুরাগী অৱাবসি শোয়দনা ফংলগনি কুইররোই ত্রিপুরীগুম্না মীতৈ, মীতৈ পাঙন, তমদা খুন্দারিবা পূম্নমক। ঙাক্লৌ য়াওদনা নিংথৌ ওইরম্বদগী লৈখা তাখ্রগনি। মতাংসি য়ৌরকপদা ঙসি শক্তি পায়রিবশিংসু মমিৎতগী মপি তারক্কনি, থৌনা ফখিবা গেলেন্টরি এৱার্দ ফংখিবা কম্মান্দোশিংসু খুপী লোংনা চিক্কক্কনি। মফুরুপ নুংশিজবগী ৱাখল মাঙখ্রবী পৈশা, সনা, অরং অরাক্তা ঙাওরিবী ইচে-ইচলশিংসু মীতোপ্তা করিনুংগী য়ূম পাল্লুবা হায়দুনা তকসি শোল্লক্কনি। নিংথৌ মচা মশুনি হায়দুনা অচাওরম কাবা জেনরেল কাষ্টকী মীওইশিংসু মীতোপ মীয়ানচাশিংগী অমাংবা শেংবা, খোঙউপ কাপ থাবরোমদা লাক্লোইদবগী মরম লৈবরা? ঙসি ইজরিবা ইশাসু মরক্তুদা অদুম য়াওখিনি ঐহাক লৈহৌগে হায়বা য়ারোই।

মতাংসিদা মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি ঐখোয়গী ইরমদমসিদা লাউনরি খোঙনরিবা ময়ামসি করম্বা মতমদা ৱাখল তারক্কদগে হায়বসিনি। ময়ূমদা মীতোপ মীয়ান থল্লগা ভারা চারগা মীতোপ তানথোকসি হায়রিবসিবু য়াগদ্রা? ঐখোয় মশেল ফাওবা লৈফম লৈরক্ত্রবা মতমসিদা মপানলোমদগী মীতোপ ময়াম অমা নোংমা কাংদনা পুশিল্লক্লিবা মীশিংসিবু করম্বা মীনো? হায়বসিনি। মসিদা মনা তাদনা লৈরিবা লৈঙাকলোইশিং অসিনা করি পাল্লিবনো হায়বা ৱাহংসিনা ঙসিগী মীয়ামগী ৱাহং ওইরক্লি।

মতাংসিদা ইজরিবা ইশাগী ৱাখল্লোন খরা থমজবা তারবদা ইরমদমসি চহী খরগী মতুংদদি মীরমদম ওন্থোকখ্রগনি হায়বসিনি। মরমদি ইরমদম অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন পূম্নমক মীতোপ্পা পায়খ্রে। নুমিৎ ১৩/১৪ নি চীংগী লম্বীদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবদা পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৩০০ য়ৌরি। নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল নোংদোন পক্লা ৱাংলি। ষ্টেট অসিগী লৈঙাকলোই অমদি পোলিটিক্স তৌরিবশিংসু শক্তি পায়নীংবগীদমক ৱাজাউদা ঙাঙনদুনা লৈরে। অমনা অমদা ইনশিন্নবগী লান দা চিনগী লান তৌনদুনা লৈবাক নুংশিবা শান্নরি। নাকল অমদনা য়ু এন সিনা চখাও লম্বীদা লেপ্পলগা তৌনিং তৌনিংবা তৌরি। অমুকসু কনাগুম্বা খরনা ইরমদমসিদা শিনা ঐগী, শোমগীসিনা ঐখোয়গী হায়দুনা লম মুন্নবগী লান্দা হিষ্ট্রিগী তোপ কাপ্পরি। চহী ৫০/৬০ গী হিষ্ট্রিনা চহী ২০০০ গী মথক্তা ফম্নবা হোৎনরি। মতাংসিদা ঐখোয় মশেলনা গান্ধী নিতিনুংদা তপথগদবনি, ঐখোয়গী খৌরিদা দাগফম তাবমখৈ মেৎলবসু করিসু হায়দনা মরাইনা ৱারগা তোকচখিনি হায়বা মতাগুম্না তুমিন্না লৈথোকপা মসিনা মমৈদা করি মহয় লাক্কদৌরিবনো? হৌজিক  ইরমদমসিগী চীংখোং চীংয়া মীতোপ্পা শৌগ্রী য়ুংবগুম্না লৈশিল্লক্লে। ইম্ফাল ময়োন্দসু লৈফম লৈরক্ত্রে। চীংদসু সেদ্যুল এরিয়ানি চঙবা য়াদে হায়বা, তমদসু খোং নাম্মগী খোঙনেৎফম ফাওবা লৈরক্তবা মতাংসিদা ঐখোয়গী তুংগী লম্বীসি কদোমদনো? ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি ঐখোয়গী লম ঐখোয়না ঙাকচবা, ঐখোয়গী শক্তম ঐখোয়না কঞ্জবা, ঐখোয়গী চৎন-কাঙলোন ঐখোয়না শেমজবা অসি নত্তনা ঐখোয়গী হিংনবা লম্বী অতৈ লৈতে। ঐখোয়গী লম ঐখোয়না ঙাকচবা হায়বসিদা করিনা ঙাকপা ঙমগনি হায়বা তারবদি ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী চৈঙাক ঙাকলৌ অদু তঙাইফদনা লৌবা তারকই। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা সেদ্যুল লেন ওইহনবা নত্তনা অতোপ্পা পান্বে অমা অমুক লৈররোই হায়বসিনা ঐহাক্কী পংলবা ৱাখলদা ফাওরকপা ৱাখল্লোন্দুনি। মীয়াম্নসু নৈনবীয়ু য়েংবদা, তাবদা ফজদবা য়াওরবসু ঙাক্লসি। ইচুম চুমজবদা অরানবা তাহনবগী চৎনবীদুসু থাদোকমিন্নসি, লাল্লবদি লাল্লে হায়বদা অদুম য়ানসি। হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা অদুম লৈরবদি কুমজা ২০১৮ কী মার্চকী মতুংদা মণিপুর শোয়দনা ওন্থোকখিবা তারে মসিদগী ঐখেয় পূন্না খঙমিন্নসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মালেমদা দিটেক্টরগী লৈঙাক

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইন্দিয়া** মীশীং য়াম্বা, অখঙ-অহৈ কয়ানা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈবা ফুরুপ মখল কয়া অমদি লাইনীং কয়ানা পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইবগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন অমনা লিপুন ওইদুনা লৈঙাক্লিবা লৈবাক অমনি। দেমোক্রেসিনা লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মালেমগী লৈবাক মীয়ামগী মমাঙদা লেমজনফম ওইরিবা লৈঙাকনি। লাইবক থিবদি ঙসিদি মোদিগী মোদিফাইদ, মনীংতম্বা লৈঙাক, চিম্বালখক্তদা খোইহি তৈশিল্লগা মীচম মীয়াম্বু নুংশিবা শাবা, গভর্ণমেন্টকী পোলিসি প্রোগ্রামশিংদা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী ৱাহন্থোক করিনো খঙদ্রবা থৌওং, তৌনিংবতা তৌবা, প্রেস অমদি মিদিয়াগী খুত্থাংদা মীচম মীয়াম্বু নমথাক তৌবা, ড্রামা অমদি শুমাং কুম্মৈদা মীয়াম্বু নুংঙাইনবা ড্রামাগী আর্টিষ্টশিংনা মতৌ মান্ননবা মখল মখা কয়াগী এক্টিং তৌবগুম মীচম মীয়াম্বু অপংবা শিরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি পোলিটিসিয়নশিং অসিবু ঐখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবশিংনি হায়দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিসি হায়ব্রা? ঐখোয় পূম্নমক ঐখোয়গী লম্বী থিবা মতম য়ৌরে। ইশাগী নীংতম্বগী হক ময়েক শেংনা খঙমিন্নরসি। মীচম মীয়ামগী খূৎতা লৈগদবা পোলিটিকেলগী লুচিংবশিং অসিনা ওন্না তৈনবা মওংদা মখোয়গী মখূৎতা ওইনা মীচম মীয়াম্বু শান্ননীংবা মওংদা শান্নপোৎকুম শান্নবা মীয়াম্না য়াফম থোক্তে, মতম চানা অচুম্বগী পান্বেনা অরানবশিংবু চৈরাক পীফম থোকই।

নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবা অদু ইন্দিয়া পূম্বগী লাইবক থিবনি। ৱাফম অসিদা ওপোজিসন পার্টিগী অয়াবা করি লৈখিবগে মীচম মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই। অফবা থবক অমা তৌরবদি ফত্তবসু লৈফম থোকই। ব্লেক মনি লৈহন্দনবা থৌশিলনি হায়রগদি মীচম মীয়ামদা লৈঙাক্কী বেঙ্কশিংদা হাংহনখিবা জেরো বেলেন্স একাউন্টশিং অমদি গ্যাস (লিক্কিফাইদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস) কী শেনফমশিং অদুদি চমজরবা মীচম মীয়ামদা ব্লেক মনি তৌবা নত্তবরা? মণিপুরগুম্বা বেঙ্কিং ফেসিলিটি মপূং ফানা লৈজদবা ষ্টেটশিংদা  লৈকায় লৈকায়দা মরুপ মচা মচা তৌদুনা মশাগী মরন্নাই সেভিং তৌজবা মফমশিংদা করম্বা প্রোব্লেম মায়োক্লরমগনি, ঐখোয়গী লৈবাক অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈরিবা দেল্লিগা চপ মান্ননা চাওখৎলবা বেঙ্কিং ফেসিলিটি লৈরবা লৈবাক অমরা।

বজারদা লুপা ৫০০ নৎত্রগা ১০০০ চৎপী নোট পায়রগা পোৎ লৈবা ঙম্নদ্রে, অয়োনবসু পীনিংদ্রে। অচোইবা কায়বদা খুদোংচাবা লৌনদুনা অশিংবা শাবা মীওইশিংনা চমজরবা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ৱাৎপা ইরৈচাশিংদগী লুপা ৫০০ গী অচোইবা কায়বদা লুপা ৩০০ গা ওন্নরে। অরৈ-অয়োন লেপহল্লে, কৈথেলগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। নোংমগী খূৎশুমল তাল্লগা চাজরিবা মীওইশিং অদুগী মখূৎতা লৈজবা লুপা ৫০০ নৎত্রগা ১০০০ গী অচোইবা কায়ফম লৈজদবগীনা করম্বা মখলগী বেঙ্ক একাউন্ট অমুক হাংহনবীগদৌরিবনো, বেঙ্ক একাউন্ট হাংনবা হোৎনবদা চরা হেল্লবসু শিন্থা লেপ্পুনা হোৎনৌ হায়রিব্রা । ঙরাংদি এঙ্গুং মনা-মশিং য়োল্লগা চরা তাঞ্জবী ইমাদো পোৎ শিত্তে হায়দুনা চেঙ ৱান্দনা য়ূমদা চঙলকই, এঙ্গুং মনা খরসু কৈথেলদা পৎতুনা লৈহৌরি হায়, ঙসিনা কমদৌগদৌরিবনো হায়দুনা মুরুম-মুরুম শোল্লগা কৈথেলদা থোকখি। দুকান অয়াম্বসু মপূং ফানা থোঙ হাংনদে। লুপা ১০০ গী অচোইবা কায়বদা লুপা ৯০ ফংবা, লুপা ১০০ গী ভেল্যু মাঙহনবা হায়বসি শেঞ্জাও পায়বদা শৌগৎপা মতৌনি। ঙমখৈ ৱাংমদগী লাকপা শাশিন্নবা শেলগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সশিং করি তৌরগা লৈবগে, হায়রিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং অদুগী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিৎয়েং করিনো। ফেক করেন্সি নৎত্রগা জালি নোট হায়বসিদি মীচম্না শীজিন্নবা ঙম্বা নত্তে, অরোনবা করবার তৌবা মীওইশিংনা হান্না শীজিন্নরবা মতুংদা মীচম মীয়ামগী খূৎতা য়ৌরকপনি, অনৌবা পুথোক্লিবা পৈশা ময়েক অসিদি ফেক করেন্সি পুথোকপা ঙল্লোই হায়না লৌরসিরা!

অমরোমদা অমুক লুপা লাক্ষ ২.৫ হেল্লবদি টেক্স লৌগনি হায়বা ৱাফমসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইনকম টেক্স  দিপার্টমেন্ট অমদি কোওপরেটিভ সোসাইটি দিপার্টমেন্টশিং মথৌ তৌদ্রে হায়বনি, মখোয়গী মথক্তা লৈঙাক্লা এক্সন লৌখৎপা ঙমদ্রে তাকপনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা টেক্স খোমগৎপা ঙমদ্রগা অনৌবা করেন্সি নোট শিনবা হায়বসিদি মতিক চাবা লৈবাক মপু অমগী মরম চাবা থৌওংদি নত্তে। থাংজ অমদি নোংমাইজিং ছুটি পীদবমখৈ এমপ্লোয়শিংবু থবক শুহনবা হায়বসি মীওইবগী হক মৎপগা চপ মান্নে। মরৈবাকপু নুংশিজবা মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা চোঙথোরক্তুনা মরৈবাক মীয়ামগীদমক কৎথোকপা, মীয়ামগী থৌগল তৌজবা হায়বসিদি মশাগী লৌফম থোকপা থৌদাংনি, মশানা য়াদনা মীওই অমবু থবক শুহনবা হায়বসিদি হ্যুমেন রাইটতা শোকপা মরম্না মীওইবগী হ্যুমেন রাইটতা শোকপা থবক তৌবা মীওইদি কোর্টনা চৈরাক পীফম থোকই। মসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাঙদা জর্মনদা হিটলরনা চথ্থিবা লৈঙাক অদুগা মান্নে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ইন্দিয়া মচা অমা ওইনা ইরৈবাক ইরমদম অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরবু ইকায়খুম্নবা উৎচৈ, মশাগী অচুম্বা মশীং লাকঙমদনা লৈজরবসু মালেমগী পুৱারীদা মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগদবা খোঙথাংসি ইকায়খুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা অমুক্তং তিন য়োৎথদুনা খন্থহন্নীংই লোয়ননা ইরমদমসিদা লৈরিবা মহাক্কী খোঙলোই ওইবিরিবা পূম্নমক্লসু মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - মোইরাংথেম সোমোরজিৎ কেগেচা*